www.prepp.in

Prepp
Your Personal Exams Guide

Language Code : **10**

इस पुस्तिका में **20** मुद्रित पृष्ठ हैं।
This booklet contains **20** Printed pages.

# SAS-24-I

**प्रश्न-पत्र-I / PAPER-I**
**मणिपुरी भाषा परिशिष्ट**
**Manipuri Language Supplement**
**भाग-IV & V / PART-IV & V**

मुख्य परीक्षा पुस्तिका संख्या / Main Test Booklet No.

मुख्य परीक्षा पुस्तिका कोड / Main Test Booklet Code
**I**

**इस परीक्षा पुस्तिका को तब तक न खोलें जब तक कहा न जाए।**
**Do not open this Test Booklet until you are asked to do so.**
**इस परीक्षा पुस्तिका के पिछले आवरण (पृष्ठ 19 व 20) पर दिए निर्देशों को ध्यान से पढ़ें।**
**Read carefully the Instructions on the Back Cover (Page 19 & 20) of this Test Booklet.**

**मणिपुरी में निर्देशों के लिए इस पुस्तिका का पृष्ठ 2 देखें। / FOR INSTRUCTIONS IN MANIPURI SEE PAGE 2 OF THIS BOOKLET.**

## परीक्षार्थियों के लिए निर्देश

1. यह पुस्तिका मुख्य परीक्षा पुस्तिका की एक परिशिष्ट है, उन परीक्षार्थियों के लिए जो **या** तो भाग IV (भाषा I) **या** भाग V (भाषा II) **मणिपुरी** भाषा में देना चाहते हैं, लेकिन **दोनों नहीं**।
2. परीक्षार्थी भाग I एवं भाग II **या** III के उत्तर मुख्य परीक्षा पुस्तिका से दें और भाग IV व V के उत्तर उनके द्वारा चुनी भाषाओं से।
3. अंग्रेज़ी व हिन्दी भाषा पर प्रश्न मुख्य परीक्षा पुस्तिका में भाग IV व भाग V के अन्तर्गत दिए गए हैं। भाषा परिशिष्टों को आप अलग से माँग सकते हैं।
4. इस पृष्ठ पर विवरण अंकित करने एवं उत्तर पत्र पर निशान लगाने के लिए **केवल काले/नीले बॉल पॉइंट पेन** का प्रयोग करें।
5. इस भाषा पुस्तिका का **संकेत** है **I**। यह सुनिश्चित कर लें कि इस भाषा परिशिष्ट पुस्तिका का संकेत, उत्तर पत्र के **पृष्ठ-2** एवं मुख्य परीक्षा पुस्तिका पर छपे संकेत से मिलता है। अगर यह भिन्न हो, तो परीक्षार्थी दूसरी भाषा परिशिष्ट परीक्षा पुस्तिका लेने के लिए निरीक्षक को तुरन्त अवगत कराएँ।
6. इस परीक्षा पुस्तिका में **दो** भाग IV और V हैं, जिनमें **60** वस्तुनिष्ठ प्रश्न हैं, जो प्रत्येक 1 अंक का है :
   भाग-IV : भाषा-I (मणिपुरी) (प्र. 91 से प्र. 120)
   भाग-V : भाषा-II (मणिपुरी) (प्र. 121 से प्र. 150)
7. भाग-IV में भाषा-I के लिए 30 प्रश्न और भाग-V में भाषा-II के लिए 30 प्रश्न दिए गए हैं। इस परीक्षा पुस्तिका में केवल मणिपुरी भाषा से संबंधित प्रश्न दिए गए हैं। **यदि भाषा-I और/या भाषा-II में आपके द्वारा चुनी गई भाषा(एँ) मणिपुरी के अलावा है तो कृपया उस भाषा वाली परीक्षा पुस्तिका माँग लीजिए। जिन भाषाओं के प्रश्नों के उत्तर आप दे रहे हैं वह आवेदन पत्र में चुनी गई भाषाओं से अवश्य मेल खानी चाहिए।**
8. **परीक्षार्थी भाग-V (भाषा-II) के लिए, भाषा सूची से ऐसी भाषा चुनें जो उनके द्वारा भाषा-I (भाग-IV) में चुनी गई भाषा से भिन्न हो।**
9. रफ कार्य परीक्षा पुस्तिका में इस प्रयोजन के लिए दी गई खाली जगह पर ही करें।
10. सभी उत्तर केवल OMR उत्तर पत्र पर ही अंकित करें। अपने उत्तर ध्यानपूर्वक अंकित करें। उत्तर बदलने हेतु श्वेत रंजक का प्रयोग निषिद्ध है।

## INSTRUCTIONS FOR CANDIDATES

1. This booklet is a supplement to the Main Test Booklet for those candidates who wish to answer **EITHER** Part IV (Language I) **OR** Part V (Language II) in **MANIPURI** language, but **NOT BOTH**.
2. Candidates are required to answer Part I and Part II **OR** III from the Main Test Booklet and Parts IV and V from the languages chosen by them.
3. Questions on English and Hindi languages for Part IV and Part V have been given in the Main Test Booklet. Language Supplements can be asked for separately.
4. Use **Black/Blue Ball Point Pen only** for writing particulars on this page/ marking responses in the Answer Sheet.
5. The CODE for this Language Booklet is **I**. Make sure that the CODE printed on **Side-2** of the Answer Sheet and on your Main Test Booklet is the same as that on this Language Supplement Test Booklet. In case of discrepancy, the candidate should immediately report the matter to the Invigilator for replacement of the Language Supplement Test Booklet.
6. This Test Booklet has **two** Parts, IV and V, consisting of **60** Objective Type Questions, each carrying 1 mark :
   Part-IV : Language-I (Manipuri) (Q. 91 to Q. 120)
   Part-V : Language-II (Manipuri) (Q. 121 to Q. 150)
7. Part-IV contains 30 questions for Language-I and Part-V contains 30 questions for Language-II. In this Test Booklet, only questions pertaining to Manipuri language have been given. **In case the language/s you have opted for as Language-I and/or Language-II is a Language other than Manipuri, please ask for a Test Booklet that contains questions on that language. The language being answered must tally with the languages opted for in your Application Form.**
8. **Candidates are required to attempt questions in Part-V (Language-II) in a language other than the one chosen as Language-I (in Part-IV) from the list of languages.**
9. Rough work should be done only in the space provided in the Test Booklet for the same.
10. The answers are to be recorded on the OMR Answer Sheet only. Mark your responses carefully. No whitener is allowed for changing answers.

परीक्षार्थी का नाम (बड़े अक्षरों में) : ____________________
Name of the Candidate (in Capitals) :
अनुक्रमांक : (अंकों में) / Roll Number : in figures ____________________
: शब्दों में / in words ____________________
परीक्षा केन्द्र (बड़े अक्षरों में) : ____________________
Centre of Examination (in Capitals) :
परीक्षार्थी के हस्ताक्षर : ____________________ निरीक्षक के हस्ताक्षर : ____________________
Candidate's Signature : Invigilator's Signature :
Facsimile Signature Stamp of
Centre Superintendent : ____________________

Prepp
Your Personal Exams Guide

Language Code : **10**

# SAS-24-I

**পেপর-I**

**মণিপুরী লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্ট**

**ভাগ-IV & V**

টেস্ট বুক্লেট্ কোড

**I**

বুক্লেট্সি লমায় 20 য়াওই।

**হায়রক্তিফাওবা টেস্ট বুকলেট অসি হাংদোক্কনু।**

**বুকলেট্সিগী নীতি-নীয়মশিং (instruction) (সাইদ 19 & 20) অসি য়াম্না চেকশিন্না পাউ।**

*কেন্দিদেটসিংদা পীবা ইন্স্ট্রক্সনসিং :*

1. বুকলেট্সি মণিপুরী লেঙ্গুয়েজদা পার্ট IV (লেঙ্গুয়েজ I) নত্রগা পার্ট V (লেঙ্গুয়েজ II) দা পরিক্ষা থানিংবা কেন্দদেটসিংগীদমক ম্যেন টেস্ট বুক্লেট্তুগী সপ্লিমেন্ট অমনি। অনিমক্তি পুন্না পরিক্ষা থাবা য়ারোই।
2. কেন্দিদেটসিংনা ম্যেন টেস্ট বুকলেটতগী পার্ট I, II অমসুং III অমসুং মখোয়না খনবা লেঙ্গুয়েজসিংদগী পার্ট IV অমসুং V কী পাউখুম পীবা দরকার লৈ।
3. ইংরাজি অমসুং হিন্দী লেঙ্গুয়েজসিংগী পার্ট IV অমসুং পার্ট V ৱাহংসিং ম্যেন টেস্ট বুক্লেট্তা পীরে। লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্টসিং গীদমক তোঙান্না হংবা য়াই।
4. লমায়সিদা পার্টিকুলারসিং ইননবা **ব্লু/ ব্লেক বোল পোইন্ট পেনখক্তংমক** শীজিন্নৌ।
5. লেঙ্গুয়েজ বুক্লেট্সিগী কোডতি **I** নি। আনসর **শীতকী সাইড-2** দা ইরিবা কোডতুগা অমসুং ম্যেন টেস্ট বুক্লেট্তা ইরিবদুগা লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্ট বুক্লেট্কীসিগা চপ মান্নব্রা হায়না য়েংউ। মান্নদবা থোক্লবদি কেন্দিদেটনা খুদক্তা লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্ট বুক্লেট্ অদু শীন্দোক্লবা ইনভিজিলেটরদা রিপোর্ট তৌগদবনি।
6. বুকলেট্ অসিগী পার্ট **অনিনি IV** অমসুং V। মসিদা ৱাহং অমমমদা মার্ক অমা পীবা ৱাহং 60 য়াওই :
   পার্ট IV : লেঙ্গুয়েজ I (মণিপুরী) (ৱা : 91 দগী ৱা : 120)
   পার্ট V : লেঙ্গুয়েজ II (মণিপুরী) (ৱা : 121 দগী ৱা : 150)
7. পার্ট IV লেঙ্গুয়েজ I গী ৱাহং 30 য়াওই অমসুং পার্ট V লেঙ্গুয়েজ II গী ৱাহং 30 য়াওই। বুকলেট অসিদা মণিপুরী লেঙ্গুয়েজদংগা মরিলৈনবা ৱাহং হংই। **নহাক্না নঙগী লেঙ্গুয়েজ I অমসুং নত্রগা II ওইনা খনবা লেঙ্গুয়েজসিংদু মণিপুরী নত্রবদি লেঙ্গুয়েজদুদা ৱাহং হংবা টেস্ট বুকলেট্ অমা পীনবা হায়বীয়ু। পাউখুম পীরিবা লেঙ্গুয়েজসিংদু নহাক্কী এপ্লিকেশন ফোর্মদা ইখিবা লেঙ্গুয়েজসিংগা মান্নগদবনি।**
8. **কেন্দিদেটসিংনা লেঙ্গুয়েজসিংগী লিষ্টতগী লেঙ্গুয়েজ I ওইনা খনখিবদু নত্তবা অতোপ্পা লেঙ্গুয়েজ অমদা পার্ট V (লেঙ্গুয়েজ II) দা য়াওরিবা ৱাহংসিংগী পাউখুম পীবা দরকার লৈ।**
9. টেস্ট বুক্লেটতা পীরিবা মফমদুতদা রফ ৱর্ক তৌগদবনি।
10. পউখুমসিংদু OMR পাউখুম চেদা ইগদবনি। নঙগী পাউখুসিংদু চেকসিন্না মার্ক তৌ। পাউখুমসিং হোংনবা মুক অঙৌবা শীজিন্নবা য়াদে।

কেন্দিদেটকী মীং (অচৌবা ময়েক্তা) : ____________________

রোল নম্বর : অঙ্ক ময়েক্তা ____________________

: ৱাহৈদা : ____________________

পরীক্ষাগী সেন্টর (অচৌবা ময়েক্তা) : ____________________

কেন্দিদেটকী সিগনেচর : ______________ ইনভিজিলেটরগী সিগনেচর : ______________

Facsimile signature stamp of
Centre Superintendent ____________________

www.prepp.in

Prepp
Your Personal Exams Guide

কেন্দিদেতশিংনা **Manipuri Language-I** লৌরবদি **পার্ট-IV** গী ৱাহং **(91-120)** ফাওবগী পাউখুম পিনবা হোৎনগদবনি।

Candidates should attempt the questions from **Part-IV (Q.No. 91-120)**, if they have opted **MANIPURI** as **Language-I** only.

→

Prepp
Your Personal Exams Guide

## PART-IV
## LANGUAGE-I
## MANIPURI

কেন্দিদেতশিংনা **Manipuri Language-I** লৌরবদি **পার্ট-IV** গী ৱাহং **(91-120)** ফাওবগী পাউখুম পিনবা হোৎনগদবনি।

**মখাদা পীরিবা ৱারেং অসি মুন্না পারগা পীরিবা ৱাহং অসিগী পাওখুম পীয়ু। ৱাহং (91-99)**

নুপী খুদিংমক্তা মানা ইমা কৌই; অঙাং পুন্নমক মাগীদি মুন্না ঙাক্তনি-নুপীমচাদনা মুন্নী। মানা লাকপা কুইদ্রিঙৈগী অদুৱাইদা থাবলচোংবগী পৈশা হাপ্পু হায়রুবা লৈশাবী মচা খরদি ইমা হায়না কৌরকই, লক্লরকই হায়দনা শাউরম্মী হায়। অদুবু হৌজিক্তি মাগী দুকানগী মনাক অকোয়বদা লৈবা নুপীমচাশিংসু মঙোন্দা ওনশিন্দুনা ইমাকিস্লো অদুম কৌরে। মাসু খুম্মী। অয়াওবা খরদি লংত্রিক লংলিবা ময়াদু হিগৎলগা খুম্মী-ইমা।

ঐনা হেক খঙলকপদগী তা-কিস্লো মাগী ঙায়োনফম ময়াগী পীক্লা মোৎলবা কা অদুদা অদুম লৈরম্মে। লাল লোইরকপগী অদুদা সিপাই ওইরুবা খুরাতোন্না নোংমা শম ককপা পুবিবদা খঙলকপনি। অহানবা হেক উবদা ঐদি লৈজবী থাদুনা কিরুরে। মুখ্রবা মমায় অদুদা ওন্থোক্লা থা-না লৈখৎখিবা নাতোন সুমাঙগী কোই; হামজীনখিবা চায়রুং অসিনা ঈশিং খুজাই অমদি চনগদবা মানবা; মমীৎ অদুনা কুৎনা লাওখিবা; মনাতোন অদুনা ৱাংনা শাংখিবা-মশা লুম্নপ তৌরবী নুপীনা উরবদি অঙাং চৎখিদৌবা মানবা শকফম্লি। পামজবদনি ৱাংবদি মাগী শমকক চৌকী অদুদা খোঙথাফম থাক অনীগুম্বা লৈ। অদু ফাওবদা মখ্বাং নাই হায়দুনা নোংমদা কোক য়াম্না ককউ য়াদে। অফবা নুমিৎশিংদদি মাগী দুকান থোঙ থেংলপ হাংই; হোবে-হোবে তৌরম্মগা ঙল্লপ অদুম লোল্লি। ঐখোয় খুরাতোন্না কৌরুরবদি মতম হায়বা লৈতে; নুংদাং অথেংবদসু হাংই। মখোয় অনী য়াম্না লুনা তিন্নবা মাল্লি। মবানী হেক উন্নবদা ময়াংলোন লোন্নরগা পঙঙাংদা ঙাঙনৈ। মরক মরক্তা হৌন-হৌনকাসু নোকমিন্নৈ। মানা নোকপদুনদুম হেন্না কিরম্মী।

**91.** তা-কিস্লো না মীয়াম্না কৌনবা ৱাহৈ অমা লৈশাবী মচা অমদা কৌরুবদা শাত্তবকখিবা মীঙ্গৌ অদু করিনো ?

(1) ইচানুপী।   (2) ইবেম্মা।   (3) ইন্দোন।   (4) ইমা।

**92.** তা- কিস্লো না নুপী খুদিংদা কৌবা ৱাহৈ অদু করিনো ?

(1) ইচে নি।   (2) ইবেম্মা নি।   (3) ইমা নি।   (4) ইতৈম্মা নি।

**93.** তা-কিস্লোগী য়ুমদু অইবনা হেক খঙলকপদগী পীক্লবা মোৎলবা কা অমাদা লৈরকখি। কাদু করম্বা মমাখগী অমোৎপা কানো ?

(1) দুকান গালিদা লৈবা কা।   (2) ঙায়োনফম ময়াদা লৈবা কা।
(3) খুল্লক্তা লৈবা ভারাগী কা।   (4) খুঙ্গংদা লৈবা কা।

**94.** 'তা-কিস্লো' হায়বা ৱাহৈ অসিমা সিলেবল কয়া য়াওবগে ?

(1) অমা।   (2) অনি।   (3) অহুম।   (4) মরি।

Prepp
Your Personal Exams Guide

**95.** তা-কিস্নোদি লৈরিবা অঙাং পুম্নমক চপমান্না নুংশিবনা অমত্তা ওইবা ৱাহৈনা মীঙ্গৌই মদুগী ৱাহৈদু করিনো ?

(1) মুনা। (2) মুনী। (3) বেতী। (4) বেতা।

**96.** তা-কিস্নোগী শকতম থাবদা অদুবনা শীজিন্নরিবা বাহৈশিং অসি করম্বা ইহুল চেনবা ৱাহৈনো ?

(1) লক্ল- করেম্নবা। (2) থোৎ-নৌবা।

(3) নোকনিংহনবা। (4) অমত্তা নত্তে।

**97.** অকোয়বদা লৈবা নুপীমচাশিংনসু মঙোন্দা ওনশিন্দুনা কৌবা মীঙ্গৌ অদু করিনো ?

(1) দাদা কিস্নো। (2) বাবা কিস্নো। (3) মামা কিস্নো। (4) ইমা কিস্নো।

**98.** হজাম তা-কিস্নো ৱারী মচাসিদা অইবনা উৎনিংলিবাসি করিনো -

(1) জাৎ বিজাৎ নাইদ্রবসু নুংশিনবা য়াই-উৎপনি

(2) নীশাদা লাইচুবরা মী অমগী শক্তম নি।

(3) লৈজবা পুম্বা কৎথোক্লবা মী নি।

(4) ঐগী মীগী খাইদবা মী নি।

**99.** ৱারী মচা সিবু ইরিবনা ৱারী পুম্নমক অসি কনাদগী কমদৌনা তারকপগে ?

(1) মমানা ৱারী লিবদগী খঙবনি। (2) মপানা ৱারী লিবদগী খঙবনি।

(3) মবোক্না ৱারী লীবদগী খঙবনি। (4) খুরাতোন না ৱারী লিবদগী খঙবনি।

**মখাদা পীরিবা শৈরেং অসি মুন্না পারগা পিরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাওখুম পীয়ু। ৱাহং (100-105)**

বসন্তগী মতমদা ফুগাইনা শাৎপা লৈরাংগুম,
শিঙ্গেন-মচু মমেন্দি চৎখিগনি - চৎখি,
কৌরৌ মতাং অমদা লোই-লোইনা মাঙখি,
মাংদবদি মিংচৎতনি।।
সনাদা মনি হৎলগা মীওইবগী হকচাংবুদি,
লেপ্তবা ইচেন্না পুদুনা কাওশিঙ ওইদুনা চৎখি।
সমদ্রগী লৈখাদা ইরোন নুংদা তুমখিনি,
মালেম থক্তা তিনখি, লাইজ ওইদুনা তোকই।
মাঙদবদি মিংতনি।।
মাঙদবদি মিংতনি।

**100.** ইরোন নুংদসু তুমদবা মালেমদা তিল্লসু মাঙদবা লাইজসু ওনবা ঙমদবা হায়গী হায়রিবসি করিনো ?

(1) মীওইবনি। (2) ঈশ্বর নি।

(3) হৈ-পাল লৈ-পালনি। (4) মিংচৎ নি।

**101.** মিংচৎপু কবিনা শৈরেং অসিদা করিগা চাংদম্নবগে হায়বদু ইয়ু।

(1) লিক্লাই পুখ্রিদা শাৎপা থরো।  (2) লিক্লাই পুখ্রিদা শাৎপা থম্বাল।

(3) লিক্লাই পুখ্রিদা শাৎপা থারিকথা।  (4) লিক্লাই পুখ্রিদা শাৎপা লৈরাং।

**102.** কবিনা মিংচৎসু মতম পুম্বদা হিংদুনা লৈহৌগদবদি মিংচৎ মাতনি হায়গা হায়রিবগী মরম করিনো ?

(1) মিংচৎতি শিবা নাইদে।  (2) মিংচৎতি থিবা ফংদে।

(3) মিংচৎতি মশক উবা ফংদে।  (4) মিংচৎতি কৈথেন্দা য়োনদে।

**103.** কোরৌ মতাং অমমা লোই-লোইনা মঙখি/মাঙখ্রিবা পোৎ অসি করিনো ?

(1) পোৎ লোইননকনি।  (2) নুমিৎ থানি।

(3) মীওইবনি।  (4) মিংচৎ।

**104.** সনা মনি হৎলগা মীওইবগী হকচাংবুনি হায়রিবা ৱাহৈ পরেং অসিদা মনি হৎপা হকচাং করি ওইনা মাঙখিবগে ?

(1) নাপী-শিংনা ওইনা চৎখি।  (2) অকেনবা লৈ ওইনা চৎখি।

(3) কাওশিং ওইনা চৎখি।  (4) অকেনবা হৈ-গুম চৎখি।

**105.** "বসন্তগী মতমদা শাৎপা লৈরাংগী মতৌগুম্না শিঙেন মচু মমেন্দি চৎখিগনি" হায়না কবিনা হায়রিবগী মরম করিনো ?

(1) মীওইবনা শিখিবা।  (2) লৈরাং লৈমন চনবা।

(3) উচেক য়াৱানা পাইখিবনি।  (4) হৈরাংনা কেনখিবনি।

**106.** মখাদা পিরিবা শিংসিগী মনুংদা পিরিবা ৱাফমসিগী ওইনা করম্বনা অচুম্বা নত্তবগে ?

রাইম্‌স (Rhymes) পাহনবা, ইশৈ শকহনবা অমদি হায়হনবনা অঙাংশিংদা

(1) ৱাহৈ ৱাতা খঙবা হেনগৎহল্লি।

(2) ৱাহৈ অমদি ৱাহৈ পরেংশিং নিংশিংহল্লি।

(3) খোল্হোক চুম্না হায়বদা মতেং পাংঙি।

(4) ৱাখল ফজনা ফোঙদোকপা অমদি ৱাহৈ পরেংশিংগী রিদম (Rhythm) চুম্না ঙাঙননবনি।

107. মখাদা পিরিবশিংসিগী মনুংদা করম্বনা প্রাইমেরি থাক্তা লাইব্রেরি শিজিন্নবগী অরানবা মওংনি ?

লাইব্রেরি হায়বসি লাইরিকময়াম অমা খোমজিল্লগা থম্বা মফমতমক ওইনা উবগী মহুত্তা

(1) মহৈরোয়শিংবু অঙাংশিংগী লিতরেচর (literature) মখল মথেল কয়া অমাসু খঙহনবা ঙম্মি।

(2) লাইরিক্তা মপুঙ ফানা লোইনরগা লৈমিন্নবসু য়াবা মফম ওইগদৌবনি।

(3) ওজা অমদি অতে মপুং মরৈ ফারবশিংনা লাইব্রেরিদা লাইরিক পাবগী ফিদম থন্নিংঙাই ওইবসু য়াই।

(4) লাইব্রেরি মনুংদতং লাইরিক হৌনা পাবা খ্বায়দগী অফবা মফম ওইবা য়াই।

108. মখাদা পিরিবশিংসিগী মনুংদা করম্বনা ইবা পাবা নিংথিনা হৈনবগী তঙাইফদ্রবা থৌওংনো ?

(1) খোন্থোক খঙননবগী অমদি লত্তনা ঙাঙবা ঙম্নবগী।

(2) সাইত ভোকেবুলেরি (Sight Vocabulary) অমদি পেতর্ন রিকোগ্নিসন (Pattern recognition)।

(3) দিকোদিং (Decoding) অমদি লোন মমুৎ তানা খঙবা ঙম্বা।

(4) অচুম্বা অমদি খোন্থোক মমুৎ তানা খঙবা ঙম্বা।

109. মখাদা পিরিবশিংসিগী মনুংদা করম্বনা গ্রামার মওং চুম্না তাকপগী থৌওং ওইদবগে ?

(1) তশেংবা ৱারি ৱাতাই শান্নবশিং তাহন উহনবা।

(2) তমগদবা লোন্দুগী অচুম্বা গ্রামারগী পথাপসিং খঙহনবা।

(3) তম্লিবা লোন্দুদা ৱারি ৱাতাই শান্নবগী খুদোং চাবা পিবা।

(4) গ্রাম্মার তম্নবা হোৎনবদা গ্রাম্মার পথাপশিংবু চিনফা পুননবা হোৎনবা।

110. অয়িবা ময়েক অমদি ময়েক্কুগী খোন্থোক্না লৈনরিবা মরিদু খঙননবা তাকপদা য়ুমফম ওইবা লাইরিক মতাক অসি -

(1) হোল লেংগ্বেজ এপ্রোচ (Whole Language Approach) নি।

(2) গ্রামার ত্রান্সলেসন (Grammar Translation) নি।

(3) সিচ্বেসনেল এপ্রোচ (Situational Approach) নি।

(4) ফোনিক্স ইন্সত্রক্সন (Phonics Instruction ) নি।

111. অহুমসুবা ক্লাসকি ওজানা অঙাংশিংদা মখোয়গী মমান্নবদা 'ঙমব্রা' হায়বা ৱাহৈসি শিজিন্নদুনা ৱাহং মঙা হংননবা হায়রম্মি, খুদম ওইনা, "নহাক ইরোইবা ঙম্ব্রা ?"। মসিগুম্বা থৌওংসিগী মখলসি __________ গী মখলনি।

(1) লত্তনা ফজনা ৱা ঙাঙবা ঙম্বা

(2) অকক্নবা ৱাহৈ পিদুনা ৱা ঙাঙবা ঙম্বা

(3) মনিং মখা তম্না ৱা ঙাঙবা

(4) পেসিফ লিসনিং (Passive Listening)

112. অহুমসুবা ক্লাসকি ওজা অমানা ক্লাস মনুংদা লাইরিক পাফমতগী ওইবা মফম অমা কাচিন অমাদা শেম্নবা হোৎনরম্মি। মসিগীদমক অঙাংগী লাইরিক খনগৎনবা হোৎনবদা করম্বা ৱাহংনা খ্বায়দগী মরুওইবা ৱাহং ওইনা হংগদবনি ?

(1) খনগৎলবা লাইরিকশিংগী অয়িবাসিংসি অঙাংগী লাইরিক ইবদা য়াম্না মমিং লৈরবা অইবশিংরা ?

(2) খনগৎলবা লাইরিশিংসি ক্লাস্তগী অয়াম্বা অঙাংশিংনা মথন্দা পাজবা ঙম্বা লাইরিক্কি চাংদা লৈরবরা ?

(3) লাইরিকশিংসিনা অহুমসুবা ক্লাসকি রিদিং করিক্যুলম (reading curriculum) গী পান্দম ফংনবা হোৎনবদা মতেং পাংগদরা ?

(4) লাইরিকশিংসিনা পিরিবা লৌশিংসি মফম অমাদগী হেন্না শিজিন্নবদা চান্নগদবরা ?

113. মখাদা পিরিবা এপ্রোচ/মেথোদ (Approach/method) শিংগী মনুংদা করম্বনা মহৈরোয়শিংনা পুন্সিদা তশেংনা থোকপা থৌদোক ৱাথোক্তা লোন শিজিন্নবা হৈনবা তম্বদা মাইহেন্না ওন্সিন্বগে ?

(1) নেচরেল এপ্রোচ (Natural Approach)

(2) কম্যুনিকেতিফ এপ্রোচ (Communicative Approach)

(3) দাইরেক মেথোদ (Direct Method)

(4) ওদিয়োলিংগ্বেল মেথোদ (Audiolingual Method)

114. ওজানা মহৈরোয়শিংদা মখোয় মখোয়গী ৱার্ক বুক (Workbooks) সিংদু অমগা অমগা ওন্নরগা অচুম অৱান য়েংশিন্নবা হায়রম্মি। মসিগী থৌওংসিগী পান্দমদি -

(1) পাকশন্না পাবাদা মাই ওন্সিন্নবগী তঞ্জা অমা পিনবনি।

(2) অনৌবা ৱাহৈ ৱাতা শিজিন্নবগী তঞ্জা অমা পিনবনি।

(3) লোনগী অকরুবা কয়াৎ শিজিন্নবগী তঞ্জা অমা পিনবনি।

(4) তম্মিন্নরিবা মহৈরোয় মশেন্দা অচুম অরান খন্দোকপা ঙম্নবগী খুদোংচাবা পিবনি।

115. ফাউন্দেসনেল স্তেজতা (Foundational Stage) লৈবা অঙাংশিংনা __________ মতমদা লাইরিক তম্বদা হেন্না থৱায় হকচাং য়াওনা তৌই।

(1) ওজাগী মতুং ইন্দুনা রাইম্স (Rhymes) শকপা

(2) মিৎ, নাকোং অমদি খুৎনচিংবা মখল মখা কয়াগী সেন্স (Senses) শিজিন্নবা

(3) ময়েকশিং খন্দোক্তুনা মশা মশাগী বোইদা হঞ্জিন হঞ্জিন ইবা

(4) হকচাংগী ফজনা লেং ওৎপদা হৈগৎনবদা অকুপ্পা মিয়েৎ থম্বা

116. মঙাসুবা ক্লাসকি মহৈরোম অমানা অসুন্না ফোংদোক্লম্মি, “ঐনা ঐগী অইবসি ওজাদা পিশিন্দ্রিঙৈদা ইশানা অচুম অৱান চেকশিন্না য়েংশিল্লি।” মহৈরোয়সিনা শিজিন্নরিবসি ইবগী করম্বা তাংকক্লো ?

(1) ড্রাফতিং (Drafting)

(2) রি-ড্রাফতিং (Re-drafting)

(3) প্রুফরিদিং (Proof reading)

(4) পিয়র-ইভালুৱেসন (Peer-evaluation)

**117.** লোন তম্নবগী ক্লাস্তা করম্বা এপ্রোচ (approach) নত্রগা মেথোদ (method) শিজিন্নদুনা তাক্পনা তম্লিবা মহৈরোয়দুগী মমালোন শিজিন্নবদা শৌগত্তবগে ?

(1) নেচরেল এপ্রোচ (Natural Approach)

(2) কম্যুনিকেতিফ এপ্রোচ (Communicative Approach)

(3) দাইরেক মেথোদ (Direct Method)

(4) ওদিয়োলিংগ্বেল মেথোদ (Audiolingual Method)

**118.** ওজানা মহাক্কি অনিশুবা ক্লাস্কি অঙাংশিংগী তিচিং লরনিং মেতিরিয়েল (Teaching Learning Materials) মখল কয়া অমা খোমজিন্নবা শেম শারম্মি। মখাদা পিরিবা শিংসিগী মনুংদা করম্বনা তিচিং লরনিং মেতিরিয়েল খনবগী অচুম্বা পাম্বৈ নত্তবগে ?

(1) খল্লিবা মেতিরিয়েল অদু অঙাংশিংনা পামগদবা অমদি শিজিন্নবদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরোইদবা পোৎশক ওইগদবনি।

(2) খল্লিবা মেতিরিয়েল অদু অঙাংশিংনা শিজিন্নবদা হেন্না খংনিংবগী লাংতক্নবা ফাওননবগী ৱাখল পিননবা মরম ওইগদবনি।

(3) খল্লিবা মেতিরিয়েল অদু অকোয়বদা লাইনা ফংবা নত্রগা শেম্বা য়াবা পোৎশক ওইগদবনি মরমদি য়ারক্তবা মতমদা ইরাই লাইনা শিন্দোকপা য়াননবা।

(4) খল্লিবা মেতিরিয়েল অদু অঙাংশিংদুনা শেমজবদং ওইগদবনি অমদি পাইবদা শিৎ নাম্থোক্তবা পোৎশক ওইগদবনি।

**119.** নেসনেল করিক্যুলম ফ্রেমৱার্ক্ত (National Curriculum Framework) পিবা অঙাং খুদিংমক্না মহৈ মশিং মপুং ফানা তম্বদা মখোয় খুদিংমকপু শরুক য়াননবা, পুক্নিং থৌগৎনবা অমদি নুঙাই য়াইফনা তম্নবা হোৎনবা খ্বায়দগী ফগদৌবা থৌওংসি -

(1) কা মনুংগী ওইবা থৌরমতমক তৌদুনা অঙাংশিংবু নুংশাগী মৈশাদা থোকহন্দ্রগা ওইগনি।

(2) মহৈরোয়শিংগী ৱাখল হকচাং ফগৎনবা হোৎনবদা হেন্না অকুপ্পা মিৎয়েং থম্লগা ওইগনি।

(3) অঙাংশিংগী মখল মখা কয়াগী লমদা হৈথোই শিংথোইবদু মীয়াম মাঙদা উৎথোক্লগা থম্বিবনা ওইগনি।

(4) ক্লাস রুমদা লৈতেং কয়া তৌদুনা তগৎ তগৎ তেক্লবা অকোইবা অমা শেমগৎলগা ওইগনি।

**120.** মখাদা পিরিবাশিংসিগী মনুংদা করম্বনা ফাউন্দেসনেল স্তেজতা (Foundational Stage) তম্নবা লাইরিক দিজাইন (design) তৌবদা শিজিন্নদবা প্রিন্সিপল (Principle) নো ?

(1) করিক্যুলমন প্রিন্সিপল (Curriculum Principle)

(2) প্রেজেন্তেসন প্রিন্সিপল (Presentation Principle)

(3) কংক্রিত প্রিন্সিপল (Concrete Principle)

(4) তেক্নোলোজি প্রিন্সিপল (Technology Principle)

prepp
Your Personal Exams Guide

কেন্দিদেতশিংনা **Manipuri Language-II** লৌরবদি **পার্ট-V** গী ৱাহং **(121-150)** ফাওবগী পাউখুম পিনবা হোৎনগদবনি।

Candidates should attempt the questions from **Part-V (Q.No. 121-150)**, if they have opted **MANIPURI** as **Language-II** only.

Prepp
Your Personal Exams Guide

# PART-V
# LANGUAGE-II
# MANIPURI

কেন্দিদেতশিংনা **Manipuri Language-II** লৌরবদি **পার্ট-V** গী ৱাহং **(121-150)** ফাওবগী পাউখুম পিনবা হোৎনগদবনি।

**মখাদা পীরিবা ৱারেং অসি মুন্না পারগা পীরিবা ৱাহং অসিগী পাওখুম পীয়ু। ৱাহং (121-128)**

মীওইবনা মশাগী খনবগুন্না মী অতৈগী খন্দে। মীওইবগী মশাবু নুংশিবা অমসুং মশাবু খনবসি মীওইবগী মশাদা পক্কুনা লৈরবা অমনি। মসি তাইবং মীপোক্কী থাদোকপা য়াদ্রবা পুক্নিংগী লিচৎ অমনি। আত্মাদুদি মী অমদা লৈবগা অমদা লৈবগা অমতসু ওইরম্বা য়াই। পোকপা শিবা নাইবা হকচাং অতোপ্পা অমমম্ পুদুনা লৈরিবা মীনা মশাগী ৱাখল থাদোকপা ঙমদে, চুমসু চুমদে। তাইবংপানসি শেম্বা মপুনা অমতা ওইহন্নিংলবদি সৃষ্টি অসিদা শোয়ন-খেন্নবা মান্নদবা চাং লৈরিবসি লৈরম্মোইদবনি। ঈশ্বরনা মী খুদিংবু মশাগী তোপ-তোপ্পা ব্যক্তিত্ব অমমম্গা লোয়ননা শেম্লকইবনিনা মীনা মশা মশাগী ব্যক্তিত্বদু কাউবা য়াদে। সংসার অসিদা লৈরিবসি মী মীদুগী ব্যক্তিত্বসি লৈবদগী লৈরিবনি, ব্যক্তিত্ব অসি লৈত্রবদি সংসারসি লৈতবগা অন্মানি। মীওইবনা পোৎ অয়াম্বা থাদোকপা ঙম্মি মশাগী ব্যক্তিত্বদি থাদোকপা ঙমদে। ঈশ্বরনা মাগী সৃষ্টি অসি কায়দনবা মী খুদিংদা মশাগী ব্যক্তিত্ব অসি য়াম্না কন্না মপুক্নিংদা পালহল্লি। করিসু লৈখিদ্রবা উনা অমা ফাওবা মশাগী তোঙানবা স্থিত্বদু ঙাল্লা লৈরিবনি, বুদ্ধি তাবা মীওইবদি কবিগী মশাগী তোপ-তোপ্পা মরন্নাইগী ওইবা ব্যক্তিত্বদু ঙাক্লোইদগে। খেন্নবা ময়ামগী মরক্তা মান্নবা অমতা ওইবা অমসু লৈরি হায়বদু য়াদবগী ৱা নত্তে মদুসু অদুম ঈশ্বরনা তাইবংসি হৌজিক অমা নীং হোরেন অমা নীংবগী মতুংইন্না শেম্লকপা নত্তবা মরম থোইদোকপা অমা নিংথিনা খল্লগা তাইবংপানগী পোৎ ময়াম অমগা অমগা মরী লৈননা শেম্লকইবনিনা ময়াম অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী মিল ওইবা অমদি লৈফম থোকই হায়বদুসু মশানা তাজবনি।

**121.** পোকপা শিবা নাইবা মীওইবনা মশাগী ৱাখল থাদোকপা হায়বসি অচুম্বনি নৎত্রগা অরানবনি হায়বদু হাইয়ু।

(1) চুম্মী।
(2) লাল্লি।
(3) থাদোক্কদবনি।
(4) থাদোক্লোইদবনি।

**122.** তাইবৎপানদা লৈরিবা মীওই খুদিংদা চপমান্নবা থাদোক্তবা য়াদ্রবা পোৎশক অমা লৈরিবসি করিনো ?

(1) হকচাং কয়াৎশিং
(2) ঙাংনরিবা লোলশিং
(3) ফি-জেৎ চাকচা শিং
(4) আত্মা শিং

**123.** ঈশ্বরনা তাইবৎ পানবসি শেনলকপদা তোঙানবা শক্তম অমা য়াওরগা শেম্বনি। হায়বসিগী মরম করিগীনো।

(1) হোরেল অমা নীং হয়েং অমা নীংবনি।
(2) থোইদোকপা অথোইবা অমা খনবনি।
(3) তাইবঙ পানবগী পোৎময়ামগা মরী লৈননবনি।
(4) মান্নবা অমত্তা ওইবা খল্লগনি।

124. সংসার অসিদা মীওইবনা লৈরিবসি করি লৈবদগীনো ?

(1) মশা মশাগী অপাম্বা লৈবদগী নি।

(2) মশা মশাগী ব্যক্তিত্ব লৈবদগী নি।

(3) মশা মশাগী ৱাখললোন লৈবদগী নি।

(4) মশা মশাগী পানজদবা লৈবদগী নি।

125. তাইবং মীপোক্কী থাদোকপা য়াদ্রবা

লিচৎ অমা মীওইবদা য়াওরিবসি করিনো ?

(1) ওইজবা তানবানি।

(2) মশাগী ওইজবা থাদোকপনি।

(3) মশাগীতা খনবানি।

(4) মীবু থাজদবানি।

126. তাইবঙ পানবগী লৈরিবা ময়াম অসি মরী লৈননা শেমলকপা অসি খ্বাইদগী মপুং ওইবা অমা লৈ হায়বসি করিনো ?

(1) মপুম ওইবা।

(2) মিল ওইবা।

(3) অমত্তা ওইবা।

(4) খেন্নবা।

127. মীওইবনা মীগী খন্দনা মশাগীতা খন্দুনা লৈরিবা অসি করিদগীনো হায়বাদু ইয়ু।

(1) মীওইবগী মশাদা মশাবু নুংশিবা য়াওবগী নি।

(2) মীওইবনা মশাগী খন্দনা মীয়ামগী খনলি।

(3) অতোপ্পা জীবশিংগীদমক্তা খল্লি।

(4) নাইতোম লৈনবা হোৎনৈ।

128. সৃষ্টি অসিদা লৈরিবা ময়াম অসিবু খেন্নবা লৈনা শেমলম্মীবসি তাইবৎ শেম্বা মপুনা করম হায়না শেমলমলিবনো।

(1) অমদা ওইবা পাম্বদবদগী নি।

(2) থওইনা মানহন্নদবনি।

(3) চাংয়েংনি।

(4) শেম্বা ঙমদবদগী নি।

**মখাদা পীরিবা ৱারেং অসি মুন্না পারগা মখাদা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাওখুম পীয়ু। ৱাহং (129-135)**

খৃষ্টগী 18 শুবা শতাব্দীগী ময়ায় ওইরকপদা মণিপুর সনা ফম্বান্দা লেঙখৎপীখিবা মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রগী সনা হাক্তক্তা তশেংনমক মণিপুর লৈবাক অসি সনাগী মথক্তা তম্ফা থিনবিরম্বমক্কি হায়বা য়াই। ইনিংথৌ অসিগী সনা হাক্তক্তা ফাওখিবা পণ্ডিত ৱাহেংবা মাধবরামনা ইনিংথৌ অসিবু 'লাইরেল মৈদিংঙু শ্রীশ্রীযুৎ জয় সিংহ, বৈষ্ণব লাইপোকপা শংশংবা ধর্ম্ম অতিয়া নিংথৌরেল বিচার ৱাখনবদা পণ্ডিত নুপা থোকপা জ্ঞান চৈরোইনবা, ধর্ম্ম চেংলৌ শকওইনবগী শাহৈবা, ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব পূন্নমাগী পামেল কল্পতরু উপাল শিদবা য়েনগুম পুক্নিং হরাওফম্বু ওইনরিবা শ্রীশ্রীবিষহুয়ামলক্তগী অমৃত শিদ-য়েনগুম্বা, চীংলোই শাফুনবা, হেরা চিংবা থাঙগুম্বা নিংথৌরেল কোয়রেল ফম্বাল তোংবা লোইবী খোংজাই ঙম্বা' হায়বা মিংহুন অসি কত্তুনা সন্মাণগা লোয়ননা শীংথানরম্মী।

ইনিংথৌ ভাগ্যচন্দ্রনা বৈষ্ণব ধর্ম্মদা দীক্ষা লৌরবা মতুংদা মৈতৈ লৈবাক্তা গৌরীয় বৈষ্ণব ধর্ম্মগী উপাল মপূংফানা মউ চাউনা থাবিরম্মী। ইনিংথৌ অসিনা তেখাউ শামু ফারুরবা তুংদা কাঞ্চিপুর কোনুংদা (লাংথবান্দা) শ্রীগোবিন্দ নিরূপণ তৌরগা শ্রীগোবিন্দগী অগ্রদা কৎলম্বা জগোয় রাসনা পৃথিবীদা মমিং তানরবা রাস অসি হৌরকফম ওইখিবনি।

রাজর্ষিগী মতমদা মণিপুরগী কলা জগৎ অনৌবা শক্তম অমদা লাকখ্রবনি। ভাগ্যচন্দ্র নিংথৌনা শ্রীশ্রীগোবিন্দজিউগী অগ্রদা কৎলম্বা রাস অসিমক মখল অমখক্তা নৎখিদে, মখল অহুম থোক্না ভক্তি অমসুং কূপ্লবা কলাগী মিৎয়েংদা সনা মীৎয়েং চঙবিরম্লবনি। মদুদি,

1. কুঞ্জরাস - মেরা (ৱাখিনবা নুমিৎ) কী রাস

2. মহারাস - মেরা ৱাফুকপা নুমিত্তা শান্নবা রাস

3. বসন্ত রাস - শজিবু পূর্ণিমাদা শান্নবা রাস

**129.** ভাগ্যচন্দ্র মহারাজবু চীংলোই শাফুনবা, হেরা চিংবা থাঙগুম্বা নিংথৌরেল হায়না শৈথাদুনা ইরম্বা মী অদু কনানো

(1) সুপানন্দ। (2) অঙোম গোপীনি।

(3) ৱাহেংবা মাধব রাম। (4) ভাগ্যচন্দ্র।

**130.** গৌড়িয়া বৈষ্ণব ধর্ম্মগী উপাল মপুং ফানা চাউখৎ লম্বা মপুং ফানা মউ চাউবা অসি করম্বা নিংথৌগী হাকক্তকতনো ?

(1) চরাইবোংবা মহারাজ। (2) গরবনিৱাজ মহারাজ।

(3) ভাগ্যচন্দ্র মহারাজ। (4) চন্দ্রকৃর্ত্তি মহারাজ।

**131.** ভাগ্যচন্দ্র মহারাজ না গোবীন্দ নিরূপন তৌখিবসি মহারাজনা তেখাওদা . . . ।

(1) শামু ফাদ্রিঙৈ মমাঙদনি।
(2) শামু ফারবা মতুংদনি।
(3) মথক্তা শামু উরুবদগীনি।
(4) শ্রী কৃষ্ণ উরুবদগীনি।

**132.** মণিপুরগী সনা ফম্বালদা 18 শুবা শতাব্দীগী ময়াদুদা পানখিবা নিংথৌসি কনানো ?

(1) গরবনিৱাজ মহারাজ।
(2) ভাগ্যচন্দ্র মহারাজ।
(3) গম্ভীর সিংহ মহারাজ।
(4) চন্দ্রকৃর্ত্তি মহারাজ।

**133.** ভাগ্যচন্দ্র নিংথৌনা শ্রীশ্রীগোবীন্দজিউগী অগ্রদা কৎলম্বা রাস মখল অসি কয়ানো ?

(1) অনি - নি।
(2) অহুমনি।
(3) মরীনি।
(4) মঙানি।

**134.** 'দীক্ষা' হায়বা ৱাহৈ অসি ৱাহন্থোক করিনো ?

(1) লাইনিংবনি।
(2) লাইসোন লৌবনি।
(3) লাইমিং লৌবনি।
(4) লাই পুজা তৌবনি।

**135.** রাজর্ষিগী মতমদা মণিপুরগী কলা জগৎ তা অনৌবা শক্তম অমা লাকখি হায়বগী মরম করিনো ?

(1) শ্রী কৃষ্ণগী মুর্ত্তি নিরুপণ তৌবগী নি।
(2) বৈষ্ণব ধর্ম্ম লোয়না চৎপগী নি।
(3) লাংথাবানদা কোনুং লৈবগী নি।
(4) শ্রী গোবীন্দ নিরুপন তৌরগা গোবীন্দগী অগ্রদা জগোয় রাস কৎলম্বগী নি।

**136.** ফাউন্দেসনেল স্তেজতা (Foundational Stage) লাইরিক তম্বিবদা চঙগদবা এসেসমেন্ত তুল (assessment tools) অমদি প্রোসেস (processes) সিংসি শেমগৎনবা হোৎনবদা -

(1) মহৈরোয়শিংগীদমক অকক্নবা চাংয়েং শিজিন্নবনা হেন্না চান্নগনি।
(2) অঙাংনা লাইরিক তম্নবা হোৎনবদা থৌওংশিংসিনা মহৌশানা শন্দোকচরকপগা পাংখকনি।
(3) মহৈরোয় অমাগী অখং খংদগী চাংসি ক্লাস্তা তম্লিবা অপুনবা মহৈরোয়গী অখং খংদগা চাংদমনদুনা খন্না নৈনগদবনি।
(4) ওজানা মহৈরোয়পুম্বগী অখং খংদা য়েংশিন্ননবা চপচাবা মখলগ অমাগী মেথোদ অমা শিজিন্নবা য়াই।

Prepp
Your Personal Exams Guide

**137.** অঙাংশিংদা লোন অমদি কোগনিতিফকি (Cognitive) হৈবা হেনগৎহনবা হায়বসি -

(1) স্তিম্যুলস-রেসপোন্সকি (Stimulus-Response) প্রিন্সিপল অমদি মতৌ তম্বগী প্রোসেসকা (Process) মরি লৈনৈ।

(2) মীওইবদা লোন খঙননবগীদক্তা মচাক অমা পোকপদগী য়াওজরকই।

(3) লোন অমদি কোগনিতিফকি হৈবা হেনগৎলকপগা মরি অমত্তা লৈনদে।

(4) অঙাংশিংদুনা লৈরিবা কাঙলুপ অমদি নাত্তুগী য়াম্না নক্লবা মরি লৈনৈ।

**138.** মীওই অমানা অনিসুবা লোন অমা তমগে হায়রবদি খ্বায়দগী ফবা খোঙথাংসি -

(1) ক্লাস্তা নহাক্লা ওজাগী মতেং ফঙদুনা গ্রাম্মারদা অকুপ্পা মিৎয়েং থম্বা ঙম্বনি।

(2) লোন্দু মমালোন ওইনা ঙাঙঙিবা মীওইশিংগা মখোয়গী খুন্নাইগী মনুংদা ইতৎ তত্তনা লোইনবা ঙল্লবা মতমদনি।

(3) ওদিয়ো-লিংগ্বেল মেথোত্ত (Audio lingual method) য়াওবা দাইলোগ (dialogues) শিংদু হঞ্জিন হঞ্জিন হায়দুনা ঔরাইরবা মতমদনি।

(4) তমগদবা লোন্দুগী ৰা ঙাঙবগী কোর্স (course) অমাদা য়াওরবা মতমদনি।

**139.** লোন তম্বা হায়বসি মীওইবনা হেক পোকপদগীনা শিদ্রি ফাওবা লেপ্তনা অমদি কুপথনা চৎথবা প্রোসেস্নি।

মথক্তা পিরিবা ৱাফমসি নহাক য়ানিংব্রা নত্রগা য়ানিংদবরা ?

(1) ঐহাক ৱাফমসি য়ানিংঙি।

(2) ঐহাক ৱাফমসি য়ানিংদে।

(3) ঐহাক ৱাফমসি হাইফেৎ য়ানিংঙি।

(4) ঐহাক ৱাফমসি হাইফেৎ য়ানিংদে।

**140.** ক্লাস্তা লাইরিক তাকপগী শরুক অমা ওইনা অনম্বা লাইরিক্কা ওদিয়ো বুক (Audio books) অমদি নৌরিবা অঙাংশিংগী মখুৎ মশা শিংগৎহনবদা য়ুমফম ওইদুনা শেম্বা লাইরিকসু তাকপদা য়াওহনগদবনি মরমদি -

(1) মসিনা ক্লাস্তা মখল মথেলগী খুতাক য়াওশিল্লকই অমসুং অঙাংশিংদি মখল মথেল পামজৈ।

(2) মসিনা ওজাদা মখল মখাগী লাইরিক শিজিন্নদুনা অঙাংসিংগী অৱাৎ অপা য়েংশিনবদা নিংতম্বা পি।

(3) মসিনা তোঙান তোঙান মহৈরোয়শিংনা মখল কয়াগী পাবা ফঙবগী খুদোংচাবা পি।

(4) মসিগী লাইরিকশিংসিনা ওজাদা অহেনবা পোৎলুম হাপকৎলোই।

**141.** মঙাসুবা ক্লাস্কি ওজানা মহৈরোয়শিংদা ৱারী অমা থুনা পারগা মদুগী মতুং ইন্না অয়েকপা লাই মরিদু মথং মনাও নাইনা থম্নবা হায়রম্মি। মসিগী থৌওংসিনা -

(1) অয়েকপা লাইশিংদু পরেংশানা থম্নবনি।

(2) মখোয়দা ৱারিদুগী মচং ওইবদু খঙ্ননবা পাবা তমহন্নবনি।

(3) মখোয়দা ৱারিদুদা য়াওবা অকক্নবা পাউদম খঙ্ননবা পাবা তম হন্নবনি।

(4) মখোয়না ৱারিদুদা য়াওবা অনৌবা অমদি অরুবা ৱাহৈ ৱাতাশিংদু হন্না পাহন্নবনি।

**142.** মসিগী লাইরিক পাবাগী মওংসিদা তমবদা খঙ্ননবা অকক্নবা পান্দম অমদি থৌওং খরালৈ। মদুদি মহৈরোয়শিংনা তেক্স (Text) পাননবা হায়দুনা পুক্লিং চংনা অমদি কুপথনা পাগদবনি। মসি __________ নি।

(1) পাকশন্না পাবা (2) কুপথনা পাবা (3) শেন্নদুনা পাবা (4) পানিংনা পাবা

**143.** ওজানা পিবা মোদেল সেন্তেন্সসিং (model sentences) মহৈরোয়শিংনা হঞ্জিন হঞ্জিন হায়দুনা লোন্দুদা লৈরিবা মশক মওংশিংদু তম্মি। অসুন্না মখোয়না শেৎফ্রেজ (Set phrases) সিং নিংশিংঙি অমসুং মখোয়না মথৌ চুন্না তৌরবদা মখোয়গী ওজানা মখোয়বু থাগৎ ৱাহৈ পিরম্মি। ওজাসিনা শিজিন্নরিবা মওংসি -

(1) ওদিয়োলিংগ্বেল মেথোদনি (Audiolingual Method)

(2) কম্যুনিকেতিফ এপ্রোচনি (Communicative Approach)

(3) তোতেল ফিজিকেল রেসপোন্সনি (Total Physical Response)

(4) স্ত্রকচরেল এপ্রোচনি (Structural Approach)

**144.** লোন তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা ৱাহৈ ৱাতা অমদি গ্রামারগী (grammar) পথাপ ময়াম অমা চিনফা পুনবা হোৎনরম্মি। হায়রিবসিংসি অয়াম্বনা মশাগী মমালোন্দা তৌরম্মি।

ওজাসিনা লোন তমফমদা তৌরিবসি করম্বা মেথোদ (method) শিজিন্নরিবনো ?

(1) দাইরেক মেথোদ (Direct Method)

(2) নেচরেল এপ্রোচ (Natural Approach)

(3) কম্যুনিকেতিফ তিচিং (Communicative Teaching)

(4) গ্রামার ত্রান্সলেসন (Grammar Translation)

**145.** অঙাংশিংগী মমাঙদা লোন অনি ঙাঙশিল্লবদি, লোন অনিসি তাহন্নবসিনা -

(1) মখোয়দা খুদোংচাদবা মরম অমা ওইহল্লি।

(2) মখোয়দা হেন্না খুদোংচাবা মরম অমা ওইহল্লি।

(3) মখোয়গী মপুন্সিদা খেৎনবা অমত্তা থমদে।

(4) মখোয়দা লোন মমুৎ তানা খঙবদা অপনবা পি।

146. লাইরিক পাবা তন্নবা হোৎনবদা পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা মওং অমদি অফবা অঙাংগী তন্নবা লাইরিক থিবনা অচৌবা শিংনবা অমনি। মসিগী শিংনবা অসি মাইয়োক্লনবা -

(1) ওজানা অঙাংশিংবু নুমিৎ খুদিংগী হোমৱার্ক (homework) ওইনা লাইরিক অমা পানবা পুক্লিং থৌগৎকদবনি।

(2) অঙাংগী মমা মপাশিংদা ময়ুমদা লাইব্রেরি অমমম থম্নবা হায়গদবনি।

(3) অঙাংনা পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা অমদি পানিংগদবা লাইরিক লাইনা ফংহনগদবনি।

(4) স্কুলগী থৌপুবাশিংনা অঙাংশিংবু পুক্লিং থৌগৎননবা অমদি লাইরিক পানিংনবা লাইরিক্কি মেলাশিংদা পুবিগদবনি।

147. প্রাইমারি (Primary) থাক্কি অঙাংশিংনা কয়াম্মুক পাবা হৈরবগে হায়বদু খঙননবা লোন তম্বিবা ওজানা করম্বাদা খ্বায়দগী মরুওইনা অকুপ্পা মিৎয়েং থমগদবগে ?

(1) ময়েক খন্দোকপা ঙমবদা।

(2) পংচুৱেসন (Punctuation) শিজিন্নবাদা।

(3) থুনা য়াংনা পাবা ঙম্বদা।

(4) মমুৎ তানা খঙনা পাবা ঙম্বদা।

148. ৱা ঙাঙবগী অফবা থৌওং অমনি -

(1) ওজানা ফজনা কুপথনা তাকপসি।

(2) মহৈরোয়না মুন্না তাবাসি।

(3) মহৈরোয়না অয়াম্বা ৱা ঙাঙবসি।

(4) চিংনদনা ৱা ঙাঙগনবা মহৈরোয়শিংনা ক্লাস্তা নন্না ময়োক য়াবাসি।

149. পারা তাকপা হৌগৎলকপদা ওজানা ক্লাসতু কাঙলুপ থোক্না খায়দোক্তুনা মহাক্না মখোয়দা নুংঙাইবা পাউচেগী আরটিকল (Article) অমা পাহন্নদুগী মতাংদু ৱা ঙাঙননবা হায়রম্মি। মসিগুম্লবা ৱা ঙাঙবগী থৌওংসি __________ কি/গীনি।

(1) লত্তনা ফজনা ৱা ঙাঙবা হৈননবা

(2) অকন্নবা মখলগী ৱা ঙাঙবা হৈননবা

(3) তাক্লগা ৱা ঙাঙবা হৈননবা

(4) এক্তিভ লিসনিং (Active Listening)

150. হোল লেংগ্বেজ এপ্রোচ (Whole language approach) হায়বসি -

(1) ৱাহন্থোক্তা যুমফম ওই।

(2) মহৈ মশিংদা যুমফম ওই।

(3) খোন্থোক অমগা অমগা পুন্সিন্নবনি।

(4) খোন্থোক্ক ময়েক্কা লৈনরিবা মরিদু উৎপনি।

- o O o -

SPACE FOR ROUGH WORK

Prepp Your Personal Exams Guide

**মখাদা পীরিবা নীতি-নীয়মশিং (instructions) অসি য়াম্না চেকশিন্না পাউ :**

1. মখাদা পীরিবা ৱাহংশিংশি পাউখুম পীদ্রিঙৈগী মমাংদা চেকশিন্না পাগনি। মতুংদা টেস্ট বুকলেট তা য়াওরিবশিং অদুগী পাউখুম পীগনি।

2. OMR অন্সর শীট কী অনীশুবা নাকন্দা ৱাহং খুদিংমক্কী পীরিবা সরকল (circle) মরিদুগী মনুংদা শুপ্পগী অচুম্বনি খল্লবা মফম অদুখক্তদা ব্লু নত্রগা ব্লেক বোল পোইন্ট পেন্না ময়েক শেংনা মমহনগদবনি। অতোপ্পা মফম অমদা অনীশুনা মার্ক তৌবা য়াদে।

3. কেন্দিদেট শিংনা অন্সর শীট তু থুপচিনবা, থেকচিনবন চিংবগী মওং অমত্তা তৌবা য়াদে। অন্সর শীট তা রোল নম্বর ইননবগীদমক্তা থমলিবা মফম অদুখক্তদা নশাগী রোল নম্বর ইগদবনি। অতোপ্পা মফম অমত্তদা ইশিনবা, য়েকশিনবা তৌবা য়াদে।

4. টেস্ট বুকলেট (কোইসন পেপর) অমসুং অন্সরশীট অদু য়াম্না চেকশিনগদবনি, করিগুম্বা মরম অমত্তদসু (শুপ্পগী টেস্ট বুকলেট অমদি অন্সর শীট কী নম্বর মান্নরমদবদগী শিন্দোকপা নত্তনা) অনীদু শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌবা য়ারোই।

5. কেন্দিদেট শিংনা টেস্ট বুকলেট অমদি অন্সর শীট কী Code অমসুং নম্বর অদু (Attendance Sheet) তা ময়েক শেংনা চুন্না ইগদবনি।

6. OMR পাউখুমচে অদু মেচিন্না পাগনি এডমিত কার্দতা পিরিবা ইনফোরমেসন অদুগা খেন্নবা লৈহল্লোইদবনি। অদুনা ইনফোরমেসন অদু মপুং ফাদনা থমলমলোইদবনি।

7. কেন্দিদেট শিংনা পরিক্ষা হোল/room দা মশাগী Admit Card নত্তনা করিগুম্বা মখলগী লাইরিক, অনম্বা চেচাং, পেজর, মোবাইল ফোন, ইলেকত্রোনিক্স ডিভাইস নচিংবা পোৎ অমত্তা পুশিনবা য়াদে।

8. মোবাইল ফোনশিং, ই-পাও ফাওদোক্নবা খুৎলাইশিং (সুইচ ওফ তৌরগফাওবা), অতোপ্পা পাম্বৈশিং পরিক্ষা হোল মনুংদা পুরকপা য়াদে। ৱারোলশিং অসি ইন্দ্রবদি নওবা পাম্বৈ শিজিন্নৈ হায়দুনা পরিক্ষাদগী তাম্থোকপা য়াওনা এক্সন লৌখৎকনি।

9. ইনভিজিলেটর না হংলকপগা কেন্দিদেট শিংনা মশা-মশাগী Admit Card পুথোক্কদবনি।

10. কেন্দিদেট অমত্তনা সুপরিনটেন্দন্ট নত্রগা ইনভিজিলেটরগী অয়াবা য়াওদন মশাগী ফমফম থাদোকপা য়াদে।

11. কেন্দিদেট শিংনা মশাগী অন্সর শীট তু ইনভিজিলেটর দা পীরমদনা অমদি এটেন্দেন্স শীট তা অনীরক হন্না sign তৌরমদনা পরিক্ষা হোল থাদোকপা য়ারোই। মশাগী অন্সর শীট তু পীরল্লবসু এটেন্দেন্স শীট তা অনীরক হন্না sign তৌরমদ্রবা কেন্দিদেট শিংদি Unfair means কী case ওইনা লৌগনি। **attendance sheet তা পিরিবা অহাংবা মফমদুদা কেন্দিদেত শিংনা ওইগী খুৰীগী সহীসু নমগদবনি।**

12. পরিক্ষা হোল মনুংদা ইলেক্ট্রোনিক/মেন্যুল কালকুলেটর শীজিন্নবা য়াদে।

13. কেন্দিদেট শিংনা পরিক্ষা হোল মনুংদা পরিক্ষা থারিঙৈদা বোর্ডকী Rules and Regulations ঙাক্না চৎকদবনি। Unfair means নচিংবা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোকলকপদা বোর্ডকী Rules and Regulations কী মতুংইন্না ৱারেপ লৌগনি।

14. টেস্ট বুকলেট নত্রগা অন্সর শীট কী করিগুম্বা মফম অমত্তদা শেগায়-তুগায়বনচিংবা তৌবা য়ারোই।

15. **পরীক্ষা হেক লাইবগা কেন্দিদেট শিংনা মাগী-মাগী অন্সর শীট তু পরিক্ষা হোলদুদা লৈরিবা ইনভিজিলেটর দুদা খুৎশিন্নরল্লগা মশা-মশাগী টেস্ট বুকলেট তু পুরগা থোকখিগদবনি।**

## निम्नलिखित निर्देशों को ध्यान से पढ़ें :

1. जिस प्रकार से विभिन्न प्रश्नों के उत्तर दिए जाने हैं उसका वर्णन परीक्षा पुस्तिका में किया गया है, जिसे आप प्रश्नों का उत्तर देने से पहले ध्यान से पढ़ लें।
2. प्रत्येक प्रश्न के लिए दिए गए चार विकल्पों में से सही उत्तर के लिए OMR उत्तर पत्र के **पृष्ठ-2** पर केवल एक वृत्त को ही पूरी तरह **नीले/काले बॉल पॉइन्ट पेन** से भरें। एक बार उत्तर अंकित करने के बाद उसे बदला नहीं जा सकता है।
3. परीक्षार्थी सुनिश्चित करें कि इस उत्तर पत्र को मोड़ा न जाए एवं उस पर कोई अन्य निशान न लगाएँ। परीक्षार्थी अपना अनुक्रमांक उत्तर-पत्र में निर्धारित स्थान के अतिरिक्त अन्यत्र न लिखें।
4. परीक्षा पुस्तिका एवं उत्तर पत्र का ध्यानपूर्वक प्रयोग करें, क्योंकि किसी भी परिस्थिति में (केवल परीक्षा पुस्तिका एवं उत्तर पत्र के कोड या संख्या में भिन्नता की स्थिति को छोड़कर) दूसरी परीक्षा पुस्तिका उपलब्ध नहीं करायी जाएगी।
5. परीक्षा पुस्तिका/उत्तर पत्र में दिए गए परीक्षा पुस्तिका कोड व संख्या को परीक्षार्थी सही तरीके से उपस्थिति-पत्र में लिखें।
6. OMR उत्तर पत्र में कोडित जानकारी को एक मशीन पढ़ेगी। इसलिए कोई भी सूचना अधूरी न छोड़ें और यह प्रवेश-पत्र में दी गई सूचना से भिन्न नहीं होनी चाहिए।
7. परीक्षार्थी द्वारा परीक्षा हॉल/कक्ष में प्रवेश-पत्र के सिवाय किसी प्रकार की पाठ्य-सामग्री, मुद्रित या हस्तलिखित, कागज़ की पर्चियाँ, पेजर, मोबाइल फोन, इलेक्ट्रॉनिक उपकरण या किसी अन्य प्रकार की सामग्री को ले जाने या उपयोग करने की अनुमति नहीं है।
8. मोबाइल फोन, बेतार संचार युक्तियाँ (स्विच ऑफ अवस्था में भी) और अन्य प्रतिबंधित वस्तुएँ परीक्षा हॉल/कक्ष में नहीं लाई जानी चाहिए। इस सूचना का पालन न होने पर इसे परीक्षा में अनुचित साधनों का प्रयोग माना जाएगा और परीक्षार्थी विरुद्ध कार्यवाही की जाएगी, परीक्षा रद्द करने सहित।
9. पूछे जाने पर प्रत्येक परीक्षार्थी, निरीक्षक को अपना प्रवेश-पत्र दिखाएँ।
10. केन्द्र अधीक्षक या निरीक्षक की विशेष अनुमति के बिना कोई परीक्षार्थी अपना स्थान न छोड़ें।
11. कार्यरत निरीक्षक को अपना उत्तर पत्र दिए बिना एवं उपस्थिति-पत्र पर दुबारा हस्ताक्षर किए बिना परीक्षार्थी परीक्षा हॉल/कक्ष नहीं छोड़ेंगे। यदि किसी परीक्षार्थी ने दूसरी बार उपस्थिति-पत्र पर हस्ताक्षर नहीं किए, तो यह माना जाएगा कि उसने उत्तर पत्र नहीं लौटाया है और यह अनुचित साधन का मामला माना जाएगा। **परीक्षार्थी अपने बाएँ हाथ के अंगूठे का निशान उपस्थिति-पत्र में दिए गए स्थान पर अवश्य लगाएँ।**
12. इलेक्ट्रॉनिक/हस्तचालित परिकलक का उपयोग वर्जित है।
13. परीक्षा हॉल/कक्ष में आचरण के लिए परीक्षार्थी परीक्षण संस्था के सभी नियमों एवं विनियमों द्वारा नियमित हैं। अनुचित साधनों के सभी मामलों का फैसला परीक्षण संस्था के नियमों एवं विनियमों के अनुसार होगा।
14. किसी भी परिस्थिति में परीक्षा पुस्तिका और उत्तर पत्र का कोई भाग अलग न करें।
15. **परीक्षा सम्पन्न होने पर, परीक्षार्थी हॉल/कक्ष छोड़ने से पूर्व उत्तर पत्र निरीक्षक को अवश्य सौंप दें।** ***परीक्षार्थी अपने साथ इस परीक्षा पुस्तिका को ले जा सकते हैं।***

## READ THE FOLLOWING INSTRUCTIONS CAREFULLY :

1. The manner in which the different questions are to be answered has been explained in the Test Booklet which you should read carefully before actually answering the questions.
2. Out of the four alternatives for each question, only one circle for the correct answer is to be darkened completely with **Blue / Black Ball Point Pen** on **Side-2** of the OMR Answer Sheet. The answer once marked is not liable to be changed.
3. The candidates should ensure that the Answer Sheet is not folded. Do not make any stray marks on the Answer Sheet. Do not write your Roll No. anywhere else except in the specified space in the Answer Sheet.
4. Handle the Test Booklet and Answer Sheet with care, as under no circumstances (except for discrepancy in Test Booklet Code or Number and Answer Sheet Code or Number), another set will be provided.
5. The candidates will write the correct Test Booklet Code and Number as given in the Test Booklet/Answer Sheet in the Attendance Sheet.
6. A machine will read the coded information in the OMR Answer Sheet. Hence, no information should be left incomplete and it should not be different from the information given in the Admit Card.
7. Candidates are not allowed to carry any textual material, printed or written, bits of papers, pager, mobile phone, electronic device or any other material except the Admit Card inside the examination hall/room.
8. Mobile phones, wireless communication devices (even in switched off mode) and the other banned items should not be brought in the examination halls/rooms. Failing to comply with this instruction, it will be considered as using unfair means in the examination and action will be taken against the candidate including cancellation of examination.
9. Each candidate must show on demand his/her Admit Card to the Invigilator.
10. No candidate, without special permission of the Centre Superintendent or Invigilator, should leave his/her seat.
11. The candidates should not leave the Examination Hall/Room without handing over their Answer Sheet to the Invigilator on duty and sign the Attendance Sheet twice. Cases where candidate has not signed the Attendance Sheet second time will be deemed not to have handed over the Answer Sheet and dealt with as an unfair means case. **The candidates are also required to put their left hand THUMB impression in the space provided in the Attendance Sheet.**
12. Use of Electronic/Manual Calculator is prohibited.
13. The candidates are governed by all Rules and Regulations of the Examining Body with regard to their conduct in the Examination Hall/Room. All cases of unfair means will be dealt with as per Rules and Regulations of the Examining Body.
14. No part of the Test Booklet and Answer Sheet shall be detached under any circumstances.
15. **On completion of the test, the candidate must hand over the Answer Sheet to the Invigilator in the Hall / Room.** ***The candidates are allowed to take away this Test Booklet with them.***